# চহী ১৫ গী মতুংদা মীওই ১ ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা ২০০৪ দা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা চহী ১৫ গী মতুংদা সেসন জজ ইম্ফাল ৱেষ্ট মাইবম মনোজকুমারগী ৱায়েলশঙনা এম দি ইথেম্বা এলাইজ জুমা খান কনভিকসন পীখিবগা লোয়ননা ফাইন লুপা ৫০০০ অমসুং চহী অমগী ফাদোক পীখ্রে তৌইগুম্বশুং মহাক্কী খোঙবুরোই ওইরম্বা এম দি রজাওদ্দিন এলাইজ ইথেমচা কেস অদুদগী লৌথোকখ্রে।

হৌখিবা নবেম্বর ২১ দা কেস অসিগা মরী লৈননা চৎথরকখিবা ট্রাইয়েলগী ফাইনেল হিয়ারিং চৎথরবা মতুংদা চার্জ হিয়ারিং রিজার্ভ তৌদুনা লাকখিবনি।

প্রোসিক্যুসনদগী থমল্লকখিবা সবমিসন অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা ২০০৪ গী ওগষ্ট ১৩ দা কেস অমগা মরী লৈননা ফাদোক পীখ্রবা এম দি ইথেমচা এলাইজ জুমা খান অমসুং ঙসিদা থাদোকখিবদগী মহাক্কী খোঙবু এম দি রাজাওদ্দিন এলাইজ ইথেমচগী মথক্তা থারকখিবা কমপ্লেন্ট অদুগী কমপ্লেন্ট অদুনা মহাক্কী ময়ূমদা ইমুং মনুংগা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা লালহৌলূপ পলফকী কেদরশিংনি হায়না শক তাকচবা মীওই অহুম চঙলক্তুনা মখোয়গী টাটা ট্রক অমগী টেক্স পীরক্কবা খঙহনখি।

মশক খঙদবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদা রিভোলভর পায়বা নহা অমনা কমপ্লেনেন্ট অদুবু হাৎকনি হায়না কিহনখি। অদুম ওইনমক রিভোলভর পায়রিবা নহা অদু নমদুনা ফাহৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখি অমদি মীওই অদু মতম অদুদা চহী ১৯ রোম শুবদা ঙাইরিবা য়াইরিপোক সিখোন থাংথাবীদগী এম দি সলাম খানগী মচা নুপা এম দি ইথেমচা এলাইজ জুমা খাননি হায়বা খঙবা ঙমখি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা মীওই অনী অদুদি অমমবগী খুদোংচবা লৌদুনা নাম্বোকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মখা তানা ইনভেষ্টিকেসন চৎথবনা থৌদোক অদুদা য়াওখিবা নাম্বোকখ্রবা এম দি অকবর অমসুং মতম অদুদা চহী ২২ শুরবা কৈরাও অৱাং লৈকাইদগী এম দি খৈরুদ্দিনগী মচা নুপা এম দি রাজাওদ্দিন এলাইজ ইথেমচা পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি লোয়ননা কেস অদুগী আই ওনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অহুম অদুগী মথক্তা আই পি সি সেক্সন ৪০০ অমসুং আর্ম এক্টকী সেক্সন ২৫ কী মখাদা সি জে এম ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা চার্জ সিট থাগৎখি। অদুম ওইনমক কেস অদু পেন্দিং লৈরিঙৈ চৈরক্তা এম দি অকবর লৈখিদবনি।

আই সি সি সেক্সন ৪০০ গী মখাদা লৈরিবা কেস অদু হৌখিবা ২০১৮ গী এপ্রিল ২৪ দা সেসন কোর্টনা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা নুমিৎ অদুমক্তগী ট্রাইএল হৌরকখিবনি।

ট্রাইএল চৎথরবা মতুংদা এম দি ইথেমচা অমসুং এম দি রাজাওদ্দিন মরাল লৈরে হায়বগী খুদম লৈবদগী মখোয়গী মথক্তা আই পি সি সেক্সন ৩৯৩ / ৩৯৮ অমসুং ৪০০ অমদি এক্সপ্লোসিব সবষ্টেন এক্টকী সেক্সন ৫ গী মখাদা চার্জ ফ্রেম তৌখি। ট্রাইএল মনুংদা কোর্ট অসিনা প্রোসিক্যুসন ৱিটনেস অমদি দিফেন্স ৱিটনেসশিংগী ষ্টেটমেন্টশিং রেকোর্দ তৌদুনা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স হিয়ারিংদা স্পিসিয়েল পি পিগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা সবমিসন অদুনা পনলিবদি, কনভিক তারবা মীওই অদু আইনা য়াদ্রবা পলফকী কেদরনি মহাক্না চৎথখিবা থৌওং অদুসু অরানবা ওইবনা খ্বাইদগী শাংবা ফাদোক পীন্নবা প্রে তৌখি।

অমরোমদা কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা সবমিসন অদুনা পনলিবদি, কনভিক অদুনা চৎথখিবা অরানবা থৌওং অদু মহাক্না চহী ১৯ শুবদা ঙাইরিবা ওইবা অমদি হৌজিক নুপী অঙাং লৈদুনা ওটো থৌদুনা হিংনবা হোৎনরিবা মীওইনি মরম অদুনা খ্বাইদগী তেনবা ফাদোক পীনবা প্রে তৌখি।

স্পিসিয়েল পি পি অমসুং দিফেন্স কাউন্সিলগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা সবমিসনশিং অদু কুপ্না য়েংলবা মতুংদা কনভিক এম দি ইথেমচা খূৎলায় পায়খিবা ওইবনা আর্মস এক্টকী সেক্সন ৩ গী মায়োক্তা অরানবা থৌওং চৎথখিবনা আর্ম এক্টকী সেক্সন ২৫(১–বি) মখাদা চৈরাক ফঙফম থৌকই মরম অসিনা কোর্টনা মহাকপু ফাইন লীশিং ৫ গা লোয়ননা চহী অমগী ফাদোক পীখিবনি। করিগুম্বা হায়রিবা ফাইনগী শেনফম অদু মতম চানা থিদ্রবদি ফাদোক্কী মতম থা অমা শাংদোক্লবা ওদর তৌখি। অদুম ওইনমক এম দি রাজাওদ্দিনগী মথক্তা প্রোসিক্যুসননা মতিক চাবা প্রমান পুথোকপা ঙমদবদগী কেস অদুদগী থাদোক্লবা কোর্টনা ওদর তৌখি।

# লৈবাক পূম্নমক্তা সি এ এগী ইরাং লৈরে দিল্লিদা ইমু নাইমু তানবগী ইরাং নেমথদ্রি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ সিটিজেনসিপ এক্ট ২০১৯ গী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা শন্দোক্লক্লি। ফীভম অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা খরা ফগৎলবসু দেল্লি, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, তালিম নাদুনচিংবা মফমদা ইমু–নাইমু তানবগা লোয়ননা শন্দোক্লক্লি। দিল্লিদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পুলিস অমদি খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগা খূৎ থোক্লবদা পুলিস অমদি জামিয়া মিলিয়া ইসলামিয়া য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিং অশোক অপন নঙখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদগী মখা তানা দেল্লিবা ঙসিসু ইরাং অদুম লৈরি।

চৈরকসিদা সুপ্রিম কোর্টনা জামিয়া য়ুনিভর্সিটি অমদি আলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংগী মথক্তা চৎথখিবা থবকশিং অদুগী মায়োক্তা থারকপা ৱাকৎ অমা তাখি লোয়ননা পেটিসনরশিং অদুদা মরী লৈনবা হায় কোর্টশিংদা চৎনবা য়াথং পীখি।

দিল্লিদা সীলাম্পুর সিটিজেন্সিপ এক্টকী মায়োক্তা হৌরকপা কাঙবুনা ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা ইরাং শাগৎলক্তুনা স্কুলগী বস অমা থুগাইখি লোয়ননা পুলিস পেকেট অমা মৈ থাখি। চাউরাক্লা মীওই ২০০০ রোম্না বসশিংদা নুঙনা থাবা অমদি গাড়ী মৈ থাবা হৌরকপদগী পুলিসনা রবর বুলেট অমদি টিয়ার গ্যাস কাপখি। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা পুলিসকী পার্সোনেল অনী শোকখি। মমিৎ মক্লা উহৌবা মীওই অমগী পাউদম অমগী মতুং ইন্না মী কুংনা তাবা অৱাং নোংপোক দেল্লিগী সীলাম্পুর এরিয়াদা আর্ম পুলিসকা য়াল্লবা মীয়ামগা মুক্লবা অমদি খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা পুলিসতা নুঙনা থাখি হায়রি।

সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমগী মতুং ইন্না ইরাং অদু ঙসি নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ অদুৱাইদা হৌরকখিবনি। খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনা লম্বীদা চেল্লিবা বসশিংদা নুঙনা থাবা হৌরকখি। পুলিসনা ইরাং অদু লাকশিন্নবা চঙশিল্লুবদা মশীং য়াল্লবা মীয়াম অদুনা পুলিসতসু লান্দরকখিবনি। থৌদোক অদুদা পুলিসকী মীওইশিং শোকখি। কয়া কয়াসু থুগাইখি। ঐখোয়দা মোবাইল ফুটেজ লৈরে। মদু কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অলোক কুমারনা ফোঙদোক্লি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা দেল্লি মেট্রো রেল কোর্পোরেসননা মেট্রো ষ্টেসনগী চঙবা থোকপগী গেট তরুক থিংগজিনখ্রে ট্রাফিকসু অকক্লবা মফম খরা খক্তদা চৎহনখ্রে।

ঙসিগী থৌদোক অসি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা জামিয়া মিলিয়া য়ুনিভর্সিটিদা থোকখিবা ইমু নাইমু তানবা থৌদোক অদুগী মতুংদা অনীরকশুবনি। থৌদোক অদুদা পুলিসনা জামিয়াগী মহৈরোইশিংদা খূৎ থাই হায়বগী ৱাহম্বোক লৈরিবনি। ঙসিসু জামিয়াগী মহৈরোইশিংনা অমুক হন্না পুলিসকী থৌদোক অদুদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী মফম কয়াগী মহৈ লোয়শঙশিংদা জামিয়া য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোইশিংদা মীনুংশি উৎপা ফোঙদোক্লখ্রে।

নোংচুপ বেঙ্গলদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা কলকাটগী ৮ বি বস ষ্টেন্দদগী হাওরা ফাওবা চৎপা রেল্লি অমা লুচিংখি। তামিল নাদুদনা ওপোজিসন দি এম কেগী চীফ এম কে ষ্টেলিনগী লুচিং মখাদা দিমোন্ত্রেসন চৎথখি।

নাকল অমরোমদা দেল্লিদা কংগ্রেসকী লুচিংবী সোসিয়া গান্ধী য়াওবা ওপোজিসনগী সেনিয়ার লিদরশিংনা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ উন দুনা জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়াগী মহৈরোইশিংনা সিটিজেনসিপ এক্টকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবদা পুলিসনা চৎথখিবা থবক অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অমদনা সিব সেনাগী লুচিংবা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধক থাক্রেনা জামিয়াগী থৌদোক অদুবু জালিয়াৱালা বাগকী মীহাৎকা চাং দম্নখ্রে। মহৈরোইশিং অসি নৌরিবা নহা ঙাক্তনি মখোয়দা চৎথখিবা থবক অদু তৌহৈদবনি। মরম অদুনা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্টনা তৌরিবদু তৌফম থোক্তবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

সুপরষ্টার পোলিটিসিয়ান কমল হসননা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি আই সি য়ুদা লৈরে হায়না শীংথারদুনা হায়খি। নহারোলশিংনা লৈঙাক্লোনগী মরমদা নৈনবা অমদি য়ানিংদবা ফোঙদোকপা অকায়বা করি লৈবগে। অসিগুম্বা থৌওং থিংনবা হোৎনবা হায়বসি দেমোক্রেসিবু খোঙগোইনবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# নোংমৈ মাঙবা–মীওই ২ চেন্নবা চার্জ সিট থাগৎলকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ ২শুবা মণিপুর রাইফলকী খূৎলায় থম্ফমদগী নোংমৈ মাঙখিবগী থৌদোক্লা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিকেসন এজেন্সি (এন আই এ)না থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অনীগী মথক্তা নৌনা সপ্লিমেন্টারি চার্জ সিট কোর্টতা থাগৎলকখ্রে।

ঙসি এন আই এনা মখোয়গী মথক্তা সপ্লিমেন্টারি চার্জ সিট থাগৎলকখ্রবা এক্যুজশিংদুদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মরাম্নম কভানম ভিল্লেজতগী হিংবা ফুংফিনামৈগী মচা নুপা ঐচ তাকিং ফুংফিনামৈ (৩২) অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা সদর হিলসকী সোংতুন ভিল্লেজতা লৈবা সতথাং কিপগেনগী মচা নুপা লুংসি কিপগেন এলাইজ জেসিনি। মখোয় অনীমক খূৎলায় মাঙবগী থৌদোক অদুগী এক্যুজ লিষ্টতা মথং সিটনা এক্যুজ নম্বর ১৫ অমসুং ১৬ দা য়াওরিবনি।

আই পি সি আর্ম এক্ট অমসুং য়ু এ (পি) এক্টকী মখাদা মখোয় অনীগী মথক্তা থাগৎলকখিবা চার্জ সিট অদু কোর্টনা লৌশিনখ্রে। লোয়ননা কেস অদুগা মরী লৈননা বেলদা লৈরিবা ঐচ তকিং ফুংফিনামৈ অমসুং লুংসি কিপগেন দিসেম্বর ৩০ দা কোর্ট কাররক্লবা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি নোংমৈ মাঙবগী থৌদোক অদুগা লোয়ননা এন আই এনা ইনভেষ্টিকেসন চৎথরবা মতুংদা হৌখিবা ২০১৮ গী সেপ্টেম্বর ২৫ দা লাইশ্রম অনিলকুমার, থোকচোম জেমস, পাওনম শান্তিকুমার, হাওবিজম ৱোজেন্দ্রো, ঙম্বোই হাওকিপ এলাইজ রাজু, নেল্লিকত্তিল পোদিয়ান দমোদরন, মথুরাবাসিয়ূম হিরঙ্গোয় অমসুং লাইশ্রম বদুদোরগী মথক্তা চার্জ সিট থাগৎলকখিবনি।

লোয়ননা মখোয়গী অনীশুবা ওইনা চহী অসিগী জনুৱারি ২৮ দা থাগৎখিবা চার্জ সিট অদুনা কে আর এগী চীফ দেভিদ হাংসিং, টি ঐচ দাইমন্দ, য়ামথোঙ হাওকিপ (এম এল এ সাইখুল এ সি) অমসুং য়ু কে এল এফকী সেল্ফ ষ্টাইল চীয়ারমেন লুনকোনসন হাওকিপনা মথক্তা ওইখিবনি।

অদুম ওইনমক সাইখুল এ সিগী এম এল য়ামথোঙ হাওকিপ অমসুং কে আর এগী চীফ দেভিদ হাংসিং য়াওনা এক্যুজ অয়াম্বা হৌজিক বেলদা লৈরিবনি।

# সি এ এগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ সিটিজেন এমেন্দমেন্ট এক্টগী ময়োক্তা মণিপুর কোলেজগী মহৈরোইশিংনা কোলেজ অসিগী গেট মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

কোলেজ অসিগী ষ্টেুদেন্ট য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবা মহৈরোই অমনা হায়, পার্লিয়ামেন্টদা পাস তৌদুনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রবা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চৎনবা য়ারোই। এক্ট অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা কোলেজ অসিগী মহৈরোইশিংনসু মপুং ফনা শৌগৎলি।

লোয়ননা এক্ট অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লম্বা মেনপেকগী ইশু অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা লাক্ত্রিঙৈদা তুমিন্ননা লৈশিনখিবা অসি মহৈরোইশিংনা য়ানিংদে। মরম অসিনা মেনপেকনা মণিপুরগী মীয়াম্বু নীংথিনা লমজিবিদুনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা চপ চানা থেংনমিন্নসি হায়খি। ঙসিগী খোঙজং অদুগী মখা তাবদা মহৈরোইশিংনা লোং লিভ নোর্থ ইষ্ট, নোর্থ ইষ্টদা সি এ এ চৎনবা য়ারোই, দাউন–দাউন বি জে পি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

# লৈঙাক্লা ফন্দামেন্টেল রাইট মৎলেঃ মেনপেক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(এস এন এস)ঃ সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা অসাম অমদি ত্রিপুরাদা খোঙজং চংশিনবদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা সোলিদরিটি উৎনবা পিছ ওইনা ৱাকৎ মীফম ফম্নবা হোৎনবদা থুগায়বা হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইট মৎপনি হায়না মেনপেককী কনভেন্নর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর পিপল এগেনষ্ট সি এ বি (মেনপেক)না শিল্লগা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম চৎনবা হোৎনবদা পুসিলনা ফমহনখিদ্রে। তুংদা মেনপেকনা লুচিংবা মীয়ামনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাই মপাগী ইম্ফাল টিদিম লম্বীদা হ্যুমেন চেন শেম্নগা দাউন দাউন ফেসিজম, বি জে পি গভর্ণমেন্ট দাউন দাউন, অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা সি এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং লাওদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মেনপেককী কনভেন্নর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়, সি এ এ চৎনবা য়ারোই হায়দুনা অৱাং নোংপোক শিনবা থুংনা চঙশিনখিবা খোঙজং দা অসাম অমদি ত্রিপুরাদা মীশি মীনা কয়া য়াওখিবা অদুগী সোলিটরিটি উৎনবা পিছ ওইনা ৱাকৎ মীফম ফম্নবা থৌরাং তৌবনি। অদুবু ষ্টেট লৈঙাক্লা অয়াবা পীদবগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম ফমহনখিদ্রে। মসিমক্তি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দেমোক্রেসিবু খোঙগাওনবনি, মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইট মৎপনি। মীয়ামগী অনিংবা অমদি অপাম্বা অসিফাওবা ফোঙদোকহন্দ্রবদি মীয়াম অসি হিংনা হিংনা শিবগা চপ মান্নরে হায়না লৌই। পিছ ওইনা চঙশিনবা খোঙজং অথিংবা থল্লকপা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসি মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনি।

# মহৈরোয়শিংঃ নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমী মুখৎনবা হোৎনবনি...

*লমায় ১গী মখা...*

দিমোক্রেসিগী ৱাহম্বোক থুগায়জবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা মীনম্বা মখলগী লো অমনি হায়নসু মহৈরোয় লূপ ৬ না লৌই।

মমাঙগী এন দি এগী লৈঙাক্লা হৌখিবা জনুৱারি ৭, ২০১৯ দা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীদুনা জনুৱারি ৮, ২০১৯ দা লোক সভাদা সি এ বি পাস তৌখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোয় লূপ ৬ না জনুৱারি ৯, ২০১৯ দগী হৌদুনা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখি।

সি এ বিগী মায়োক্তা জনুৱারি ১২,২০১৯ দা নোর্থ ইষ্ট ৱ্রেক দে ফাওবা লাউথোক্তুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)গী খোঙজং মণিপুরদসু মহৈরোয় লূপ ৬ না চাউনা সপোর্ট তৌদুনা মায় পাক্লা খোঙজং চঙশিনখি। লোয়ননা জনুৱারি ২০, ২০১৯ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি সেন্টিনরি হোলদা মহৈরোয় লূপ ৬ অসিনা পুন্না শীন্দুনা মীয়ামগী ৱা লেপ্পবা মীফম অমা মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখি। হায়রিবা মীফম অসিনা লৌরকখিবা ৱারেপশিং মপূং ফানা শৌগৎতুনা অমদি থবক্তা ওম্বোকপা, জনুৱারি ২৪, ২০১৯ দা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম পি অনী হায়বদি এম সি মেরি কোম অমদি কেএসঐচ ভবানন্দগী ময়ুমদা থোমজিন্দুনা সি এ বি রাজ্য সভাদা পুথোকপা য়ারোই হায়না তকশিনবগী খোঙজং চঙশিনখি। মীয়ামগী ৱারেপ অদুগী মখা পোন্না জনুৱারি ৩০, ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিগী যন্তর মন্তর অমদি পার্লিয়ামেন্ট হাউস মমাঙদা মতমদুগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ইফিজি ফাওবা মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখি। থংনবা নুমিৎ জনুৱারি ৩১ দা ইন্দয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা মহৈরোয়শিংনা সি এ বি অসি য়াদে অমদি মসিমক খুদক্তা ৱিদ্রো তৌবিয়ু লোয়ননা এন ই অমদি মণিপুরদা সি এ বি অমদি মসিগা মান্নবা এক্ট অমত্তা চৎনবা য়ারোই লোয়ননা লমদমসিগী মীয়াম্না মীতোপ মীয়ানচাশিংনা য়োৎশিখিগদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লিবা অসি কঞ্জনবা অখন্নবা থৌদাং পায়খৎকন্দবনি হায়বা ৱাফম য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

মসিগী মখা তারকপদা এন ই অমদি মণিপুর মীয়াম্না সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংগী খোল্লাওশিং পুন্না মতম মতমগী ওইবা খোঙজংদা মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট সি এ বি(মেনপেক), (এন ই এফ আই পি) অমদি নেসোগী লিচিং মখাদা সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা মহৈরোয় লূপ ৬ না মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মায়োং য়াদুনা লাক্লি অমদি খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লি।

মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং এন ই অমদি মণিপুরগী সি এসওশিংনা অমদি মহৈরোয় লূপশিংনা চঙশিল্লিবা অসি থৌওইদবা অমদি এন ইগী অমদি মণিপুর মীয়াম্না সি এ বিনা পীরক্কদবা শাফু কয়াশিং অসিগী অকিবা অমদি মীপাইবা পোক্তুনা সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অমদি লাওজরিবা খোল্লাও কয়া অসি নাথৈরম্লগা হৌজিক পাল্লিবা সেন্টরগী এন দি এ লৈঙাক্লা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম্না য়ুনিয়ন কেবিনেটনা দিসেম্বর ৪, ২০১৯ দা সি এ বিগী মতাংদা হান্না লৌখিবা ফিরেপ অদু রি–এফার্ম তৌদুনা লোক সভাদা পাস তৌনবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা লোক সভাদা দিসেম্বর ৯, ২০১৯ দা পাস তৌখিবা অমদি রাজ্য সভাদা দিসেম্বর ১১, ২০১৯ দা পাস তৌখিবা অসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা সি এ বি অসি সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ)২০১৯ দা ওনবদা অয়াবা পীদুনা গেজেট ওফ ইন্দিয়াদা য়াওদুনা চৎনবা য়াবগী অয়াবা পীখিবা অসিমক এন ই অমদি মণিপুর মীয়াম্বু মীনম্বনি। লমদম অসিগী মীয়াম্না চঙশিনখিবা অমদি চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং অসি থৌওইনা লৌদে হায়বদু তশেংনা থবক্লা উৎলে হায়না মহৈরোয় লূপ ৬ না লৌই।

সি এ বিদগী সি এ এ ওনখিবদা হৌজিক এন ই লমদম অমদি মণিপুরদা নৎতনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা খুদম ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, উত্তর প্রদেশ, চাত্তিসগর, পঞ্জাব, কেরালনচিংবা ষ্টেটশিং সেন্টর লৈঙাক্লা নমদুনা সি এ এ চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়ারোই হায়না খোঙজংশিং চঙশিন্নরক্লি। এন ই ষ্টেটশিংদসু হেন্না মরু ওইনা অসাম, মেঘালায়া, মিজোরাম, অরুনচল প্রদেশ, ত্রিপুরনচিংবা হিংশা য়াওবা খোঙজংশিং চঙশিন্নরক্লি। মরক অসিদা সেন্টর লৈঙাক্লা এন ই লমদম্বু দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিদা আই এল পি চৎনবা অমদি ৬ সেদুল চৎনবা ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা সি এ ওনা কোশিল্লোই অমদি শোকহল্লোই হায়দুনা সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনমিন্নরিবা এন ই লমদম অসিবু খায়বু খায়বু তাহন্নবা হোৎনরি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

# য়ু এন সিনা শীন্দুনা সেনাপটিদা খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)গী মীৎয়েং মখাদা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা সেনাপটিদা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌদুনা মীওই লীশিং ৩ মুক্লা শরুক য়াদুনা ইন্দো নাগা পিজ টোক্সকী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরক্লবা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা "জষ্টিস দিলে ইস জষ্টিস দিনাইদ, পিপল দিজার্ভ পিজ, ২২ ইয়ারস ইস সফিসেন্ট, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদু সোলুসনদা ওম্বোকউ, রিসোল্ভ পোলিটিকেল কনফ্লিক ৱিথ ওনর" হায়বনচিংবা প্লেকার্দ কয়া শীজিন্নখি।

খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা য়ু এন সিগী জেনরেল সেক্রেটরী এস মিলননা হায়, ইন্দিয়াগী পুৱারী অমত্তদা নাগাশিং অসি মনিং মখা তম্না লৈরম্নি হায়বা য়াওদে। মালেম পুম্বগী পোলিটিকেল দিভলপমেন্টস অমা শাগৎলকপা মতমদা নাগা মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা নাগা ক্লবনসু সিমোন কম্মিসনদা ১৯২৮গী জনুৱারি ১০ দা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবা লৈরিবনি। অসিগুম্বা নাগাগী ইশু অসি পোলিটিকেল ইশু অমা ওইবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি খূৎয়েক পীনখিবনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিগী ৱাখল্লোনদি ইন্দ্রি লৈঙাক অমদি নাগা মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা আর্ম কনফ্লিক অসি লোইশন্নবনি। নাগা অমসুং ইন্দিয়া অসি মহৈরোলদগী হৌনা তোঙান তোঙান্না হৌরকপা অমদি তোঙানবা লৈবাক অমা ওইনা হিংমিন্নরকপা ফুরুপশিংনি লোয়ননা নাগাশিং অসি ইন্দিয়ান নত্তে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌখিবা থেংখাং অহুম্নক্তা নাগাশিংগা ইন্দিয়গা তোঙান তোঙানবা একোর্দ অহুম খূৎয়েক পীনখিবা লৈরে। অদুবু হৌখিবা একোর্দশিং অসিদা নাগাগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমখিদ্রবসু মথংগী মরিশুবা ওইনা খূৎয়েক পীনগদবা অসিদদি নাগা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক্তা ওম্বোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মসিদসু নৎতনা নাগাশিংগী ওইবা তোখঙানবা ফ্লেগ অমদি কন্সটিট্যুসনগী ৱাফম অসিদসু অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ইন্দো নাগা পিজ টোক্স অসিগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী মহুত্তা হেন্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা নুংশি চান্নবা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অমা ওইনা লৈনবগী মায়কৈরোমদা চঙশিনবনা হেন্না অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা ইন্দো নাগা পিজ টোক্স অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা লৌবিরম্বা থৌদাংশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

হৌখিবা চহী ২০০২ মতমদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা অটল বিহরি ভাজপাইনা নাগাগী য়ুনিক হিষ্ট্রি অমদি সিচুয়েসনবু শকখঙবিরম্বগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি লোয়ননা নারেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনসু চহী ২২ হেন্না চৎথরকপা ৱারী শান্নবা অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা হৌখিবা চহী ২০১৫ দা খূৎয়েক ওইনখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মেমোরেন্দম অদুদা নাগাশিংগী তোপ তোপ্পা পুৱারী অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শকখঙবিদুনা নাগাশিংগী ওইবা তোঙানবা ফ্লেগ অমদি কন্সটিট্যুসন লৈহনবিনবসু হায়জখি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা য়ু এন সিগী লুচিংবশিং, হান্নগী প্রসিদেন্টশিং, ওল নাগা ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন মণিপুর, নাগা ৱুমেনস য়ুনিয়ন, এন পি ওগী লুচিংবশিংনা খূৎয়েক পীখি।

# ৱাবগাই লমখায়দগী শুগনু ফাওবা বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (এস এন এস)ঃ ৱাবগাই লমখায়দগী হৌরগা শুগনু ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা লম্বীগী ফীভম ফৎতবনা মরম ওইরগা ককচিং খুন্নৌ ফুটবোল এগকাদেমি অমদি ককচিং খুন্নৌ মৈরা পায়বী এসোসিয়েসননা ঙসিদগী হৌরগা লম্বী অসিদা মতম কক্তনা বন্দ কৌখ্রে।

বন্দ অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু। নৎত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়না ইন্দো–বরমা শুগনু রোদ বস ওনরস ৱেলফেয়ার য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী চেকশিন ৱা থল্লকখি। গর্ভণর রোদতা লৈবা ইন্দো–বরমা শুগনু রোদ বস ওনরস ৱেলফেয়ার য়ুনিয়নগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরী থৌনাওজম রাধেশ্যামনা হায়, ৱাবগাই লমখায়দগী হৌরগা চাকপী কারোং অমদি পল্লেলদগী হৌরগা চান্দেল ফাওবগী লম্বী অসিগী ফীভম অসুক্কী মতিক ফৎত্রে।

লম্বী অসি কুমজা ২০১১–১২ দা শুগনু কেন্দ্রগী এম এল এ কে রঞ্জিৎনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর পায়রম্বা মতমদা শেল্লম্বদগী অসি ফাওবা শেম্বিদনা লৈরি। লম্বী অসিগী মতাংদা য়ুনিয়নগী মায়কৈদগীসু মেডিয়াগী খূৎথাংদা শেম্বিনবা হায়দুনা মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিনখিবা লৈখ্রে অদুবু থবক্তা ওম্বোক্তনা লৈরি। মরক অসিদা ককচিং খুন্নৌ ফুটবোল এগকাদেমি অমদি ককচিং খুন্নৌ মৈরা পায়বী এসোসিয়েসননা ৱাবগাই লমখায়দগী হৌরগা শুগনু ফাওবগী লম্বী ঙসিদগী বন্দ কৌখ্রে। বন্দ অসিনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা গাড়ীশিং লেপখ্রে। লন্নাই মীওই কয়াগী গাড়ীশিংসু লম্বী অসি ফাওদুনা চৎনখিদ্রে হায়রি।

# মিনিষ্টরগা লৈঙাক শৌগৎলিবা...

*লমায় ১গী মখা...*

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হোটেলদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা এম এল এশিং অদুগী মপূক্লীং ফাথননবা ঙসি নুমিদাং পূং ১০.৩০ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন ইম্ফালগী ক্লাসসিক হোটেলদা লাকখি। মহাক্লা এম এল এশিং উন্নখি অমসুং মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং এসেমব্লি সেসন লোইরবা তুংদা খন্নসি হায়না থেমজিনখি। অদুমকপু নাকল অনীগী মরক্তা য়ান্নবা পুরকখ্রবা হায়বগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউ অমত্তা ফংদ্রি।

হয়েং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নীংথম মীফম হৌরগনি। সিট্টিং অহুম লৈবা এসেমব্লি সেসন অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ওবিচুরি রিফরেন্স পাঙথোক্কনি। মণি বিল অমা ওইরিবা জি এস টিগী বিলসু হয়েং হাউসতা পুথোক্কনি। অদুবু বিল অসি নোংমা লিভ লৌরগা থা অসিগী ২০ দা ওইনা খন্নগনি হায়রি। এম এল এশিং কেম্প তৌদুনা হাউস য়াওদ্রবসু লৈঙাক অসি তুবা য়াবা মখলগী এজেন্দা অমা ফাওবা হয়েংগী ওইনা লৈতে হায়রি। অদুবু ওপোজিসনগী মায়কৈদগী করম্বা ৱাফম পুখৎলক্কদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা হয়েংগী এসেমব্লি সেসন অসি মৈ হৌবা সেসন ওইগদ্রা হায়না পানরি।

# দিষ্টব এরিয়া ষ্টেতস শাংদোক্লবা...

*লমায় ১গী মখা...*

য়াওগনি। রেভিন্যুগী রিপোর্টতা চজিং খক্তমক হায়না লমগী মমিং থোল্লম্বদু লিলোং চজিং হায়না মমিং ওম্বোকপদা অয়াবা পীখ্রে।

ম্যুনিসিপালিটিগী এরিয়াদা ষ্টেটনা টেক্স লৌরিবা অসি রিটয়ার্ড আই এস সুন্দ্রলালনা চিয়ার্মেন ওইরগা মহুৎকা লোয়ননা কম্মিটি অমা শেমদুনা ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াশিংগী পল্লিক্লা য়াগদবা মওংদা লৌখৎননবা প্রপোজেল শেম্লগা মথং কেবিনেটতা খন্ননবা লেপ্লখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা মমিং চৎলবা বিষ্ণু টেম্পল অসি ১৫ সেঞ্চুরিদা শারম্বা লাইশঙ ওইবা টুরিষ্ট স্পোট ওইনা ওম্বোক্লনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লম লৌশিন্ননবসু অয়াবা পীখ্রে।

হৈরোক দাম কেনেল, থৌবাল প্রোজেক্টতগী ঈশিং পুরক্লগা শীজিন্নবগীদমক য়াইরিপোক, হৈরোক, তেন্থা অমসুং ককচিং য়ৌনা পুরক্লনবা ঙসিগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মথং চহীগী হোলিদে লিষ্ট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। হন্দক্কী হোলিদে লিষ্ট অসি মমাঙ চহীগুম্না নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অনী অদুম থোকহনগদৌরি।

# লায়েংশঙ য়ৌবা নংদনা করাংগী...

*লমায় ১গী মখা...*

ময়াইদা হিদা অঙাং উনখ্রবী নুপী অদু থাঙ্গ এ সিগী করাং চীংজেং লৈকাইদগী হাওবিজম ওংবী ইরান্তাবী (২৩) মপুরোইবা হাওবিজম অবুং (২৫) কৌই। লৈখিদ্রবা অঙাং অদু মখোয় অনীগী অনীশুবা মচানি। লাইবক থিবা থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পূং ৩.৪০ রোম তাবদা থোকখিবনি হায়রি। করাংদগী থাঙ্গ হৌরেনচীংঙ্গাং বোট মখোঙ হিথাফম অসি ফাওবা অসি চাউরাক্লা কিলোমিটর ১.৫ রোম লাপ্পা মফমনি। করাংদগী হৌরেনচীংখোঙ ফাওবা লাকপগী লম্বীদা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইবনা ফুন্না হিরমগী লম্বী থৎখিবনা মরম ওইরগা কংফান য়ৌবা ঙমদনা হিদা অদুমক অঙাং উনখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা করাংদগী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়, ইরান্তাবী মশা ৱাই শঙদবগী ডোক্তরদা মতম চানা চ্যেক–অপনচিংবা অদুমক চৎলি। ডোক্তরনা থারকপা মতম খরা ঙনখৎনা ঙসি অয়ুক্তগী মবুক য়েকপা, থিনবা হৌরকপদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা হোস্পিটালদা পুখৎনবা থৌরাং তৌরগা পুখৎখিবনি। অদুবু নুংশিৎ য়ান্না শিৎপনা মরম ওইরগা ফুমদিশিংনা লম্বী থৎখিবদগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুবু মতেং পাঙলুবা থাঙ্গ পি ঐচ সিদা নর্স ওইবা হৈস্নাম মেমচানা পাউচে অসিদা হায়, মহাক্লা দ্যুটি লোইদুনা য়ূমদা হল্লকপদা হিদা অঙাং উনবগী পাউ অদু মীওই অমনা তল্লক্তুনা মতেং পাঙবিনবা হায়রকপদগী মফম অদুদা চঙখি। অদুবু লাইবক থিবদি অঙাং অদু শিদুনা লৈরম্লে। মমাদি থোইদোকপা করিসু তৌরমখিদে। খুদক্তা মমা অদু হোস্পিটাল ফাওবা পুনবা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা মোইরাংদগী এম্বুলেন্স কৌখি। অদুবু মতম কুইনা ঙাইনবদগী গাড়ী অমা ৱাইরগা বিশেম্পুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তন্না পুখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# মণিপুর য়াওনা ষ্টেট...

*লমায় ১গী মখা...*

হায়না লাউথোকপা ঙমদে। মসিদি গভর্ণমেন্টনা তৌজবনি হায়না কোর্ট অসিনা মখা তাখি।

সুপ্রিম কোর্টনা হান্ননা এর্ত্তোনি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালগা হীরম অসিগী মতাংদা তান্নবা মতমদা ষ্টেট নিপানদা লৈবা হিন্দু মশীং অসি মাইনোরিটিনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ষ্টেট নিপান অদুদা মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, পঞ্জাব, মেঘলায়া, অরুনাচল প্রদেশ, জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমদি লক্ষদ্বিপ য়াওরি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অনৌবা সিটিজেনশিপ লো অসিনা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক্তগী ধর্ম্মগী ওৎ– নৈবনা মরম ওইদুনা চেল্লকপা হিন্দু খৃষ্টিয়ান, পার্সি, শিখ অমদি জৈনশিংবু ইন্দিয়ান সিটিজেনশিপ পীবগী মায়োক্তা ইরাং হৌরিঙৈ চৈরক্তা পীরকপা কোর্টকী জজমেন্ট অসি মরু ওইনা লৌনরি।

# মাও গেটতদি আই এল পি এস...

*লমায় ১গী মখা...*

পাউমীশিংনা মণিপুরদা চঙলকখিবা মীতোপশিং অসি থোকখিবগী রেকোর্দকী মতাংদা মখা তানা হংবদা, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মখোয়দা পীরকপা য়াথং অসি শুপ্নখক্তগী মীতোপ চঙলকপা অচ্‌ম্বা চে–চাং য়াওনা চঙলকপ্রা হায়বা অদু য়েংশিনবা খক্তনি। থোকখিবা মীওই অমত্তগী রিপোর্টতি লৈত্রি হায়খি।

কাঙলোন কায়না চঙলকপা মীওইশিংগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংদা মাও পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তানা হায়, মণিপুরদা নোংমদা মীতোপ অসি য়ামদ্রবদা ৫০ রোমদি নুংতিগী চঙলি। মখোয়শিং অসি চঙলকপা মতমদা পুলিসশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না পুরক্লিবা চে চাংশিং অদু নীংথিনা য়েংশিল্লি। করিগুম্বা মখোয়না পুরক্লিবা চে অদুদা অরানবা ওইরম্লগদি ইন্দিয়া মচা ওইরগা মখোয়গী ষ্টেট সাইন হলহনবগী থবক চৈখে। অদুগা ফোরেনর হায়রগনা মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলি হায়খি।

নাকল অমরোমদা মফম অদুদা লৈরম্বা খুঞ্জা খরনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, মফম অসিদা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী মীতোপ চঙবা থিংনবা অকনবা থবক কয়া লৌখৎলবসু নেম্নেল হায়ৱে অসি নত্তবা অতোপ্পা লম্বী খরদা মীতোপশিংনা য়ান্না লায়না চঙলক্লি। মসিগী মথক্তা পেসেঞ্জর গাড়ী নত্তবা লন্নাই গাড়ী অমদা লোকেল টেক্সিশিংদা মীতোপশিংনা তোংদুনা চঙলকপা মতমদদি পুলিসকী মায়কৈদগী চ্যেক তৌবা অসি ৱাৎপা অসিনা মীতোপ কয়াদি য়ান্না লায়না মণিপুরদা চঙলক্লবা মচাক অমা ওইরি। মরম অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা মীতোপকী ইশু অসি লোইশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা আই এল পি চৎনবগী থবক অসি অথুবা মতমদা লৌখৎপা অমা মথৌ তাই। লোয়ননা পাস পীবগী থবক তৌগদৌরিবা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল, লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা থম্মোয় শেংবা অমা মথৌ তাই হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি থা অসিগী ১১ দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা থোকপা গেজেট নোটিফিকেসন অমনা মণিপুরদা মীয়াম্না ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম হায়রগা খঙনরিবা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন, ১৮৭৩ অসি চৎনরগনি হায়না খঙহল্লকখিবনি। মদুগী মতুং থা অসিগী ১৪ দা বি জে পিগী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরী, রাম মাধবতা ইহান হানবা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি সেক্রেটরী জোৱেল জি হাওকিপনা ইহান হানবা ওইনা আই এল পিগী পার্মিট সিষ্টেম পীবা হৌখিবনি। লোয়ননা আই এল পি এস অসি মণিপুরদা চৎনরে হায়বগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী য়াথংগী মতুং ইন্না ষ্টেট হোলিদে ফাওবা লাউথোক্তুনা মফম কয়াদা থাবল ফাওবা চোংদুনা হরাউবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

# ঐখোয় হরাওথোকপগী মতম নৎত্রি...

*লমায় ১গী মখা...*

হৌজিক চৎনরগনি হায়রিবা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার এক্ট অসিনা মণিপুরদা হান্ননা চংদুনা লৈখ্রবা অমদি চংল্লক্কদৌরিবা মাইগ্রেন্টশিং অসি করম্না রিগুলেট তৌগদবা হায়বদু মপুং ফানা শেমদনা ঐখোয় হরাওথোকপগী মতম নৎত্রি।

মহাক্লা হায়, হায়রিবা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার এক্ট অসি মণিপুরদা চৎনরে হায়বগা লোয়ননা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইরিবা রাম মাধবতা অহানবা ওইনা মণিপুরগী আই এল পি পাস পীখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা জে সি আই এল পি এসকী মায়কৈদগী থম্লিংলিবা ৱাফমদি আই এল পি অসি চৎনরকপা মতমদা মণিপুরগী মীয়াম্না পামদুনা লাক্লিবা আই এল পি অদু ওইদৌরিবরা নৎত্রগা ওইরোইদৌরিবা হায়বসি খঙদবা য়াদবা ৱাফম অমা ওইরি। মরম অদুনা হিরমসিগা মরী লৈনবা রিপ্রজেন্টেসন অমা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে। রিপ্রজেন্টেসন অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ার এক্টকী রুলস এন্দ গাইদ লাইন শেম্লকপদা মমাংদা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা মণিপুর পিপল বিলদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং অদু হাপ্পিয়ু হায়বসিনি। মরমদি এক্ট অসি চৎনরকপা মতমদা বেজ ইয়ার অমা লৈতবা য়ারোই। এক্ট অসি চৎনদিঙৈদা মণিপুর নেটিভ পিপল অসি কানা কানাবু চিঙ্গদৌরিবনো হায়বদু লেপথোক্তবা য়ারোই। মীয়াম্না পাল্লিবা আই এল পি অমা ওইহনবিয়ু হায়বসিনি। এক্ট অসি চৎনহন্নবা অথুবা মতমদা গাইদ লাইন অমদি রুল শেম্বিয়ু। হেন্না ইফেক্টিভ ওইবা আই এল পি অমা ওইহনবিয়ু। মদু নত্তদুনা ইচম চম্বা আই এল পি অমা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ওইরগদি মণিপুর মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।